# মালেসিয়া প্লেন থিবা য়াওবা চাইনাগী জহাজনা সিগ্নেল ফংলে



*বৈজিং, এপ্রিল ৫ঃ* খা থংবা ইন্দিয়ান ওসিনদা মালেসিয়া প্লেনগী ওইরম্বা য়াবা অতেক অকাই থিবা য়াওরিবা চাইনাগী জহাজ অমনা পলস সিগ্নেল অমা ফংখ্রে হায়না চাইনাগী মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়গী হায়বগী মতুংইন্না সিগ্নেল অদু সেকেন্দ অমদা কিলোহজ ৩৭.৫ কী চাংদা ফংই হায়বগা লোয়ননা ফ্রিক্বেন্সি অসি ফ্লাইট রেকোর্দরশিংনা থাদোকপা চাং অদুমক্কি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক সিগ্নেল অসি ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ গা মরী লৈনৈ হায়বগী চপ চাবা খুদমদি লৈত্রি হায়রি।

জহাজ অমদি এরোপ্লেন কয়ামরুম্নসু থিবগী থৌরাং অসিদা য়াওশিনখ্রে।

ওপরেসন অসি হৌজিক্কী ওইনা প্লেন অদুগী দাটা রেকোর্দরশিংগী বেট্টরি মপাঙ্গল লোইখিদ্রিঙৈ মমাংগী ওইনা খ্বাইদগী কনশিন্না থিবগী তাঙ্কক অমদা চংশিল্লি। ঙসি খা থংবা ইন্দিয়ান ওসিনদা থিবা য়াওরিবা জহাজ অনিগী মনুংদা হায়জুন–০১ হায়বা জহাজ অদুনা খা থংবা লেটিচুদ দিগ্রি ২৫ অমদি নোংপোক থংবা লোঙ্গিচুদ দিগ্রি ১০১ গী মরক্তা ফংখিবনি হায়না ষ্টেটনা চলাইবা জিনহুৱা নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

অদুবু সিগ্নেল অসি মাঙখ্রিবা জেট অদুগা মরী লৈনব্রা হায়বদুদি লেপথোক্কদবা ৱাৎলি হায়নসু এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরকখি।

চাইনাগী লিবরেসন দেল্লি পাউ–চেনা হায়বদা, জহাজ মথক্তা মীওই অহুমনা সিগ্নেল অদু তাখি। খঙহৌদনা তারকখিবা ওইবনা রেকোর্দতি তৌহৌদে হায়রি।

ফ্লাইট অদুসু চপ চানা প্রমান তৌদ্রগসু খা থংবা ইন্দিয়ান ওসিনদা কায়দুনা তাশিল্লম্বা য়াই হায়বসিনা খ্বাইদগী থাজনবা অমা ওইরি। অদুগা প্লেন অদু পাইফম থোকপা লম্বীদগী করিগীদমক থৈদোকখিবনো হায়বদুসু চপ চাবা মরম খঙদে। পনবা য়াবদি স্কেৱার মাইল ৮৪,০০০ রোম পাক চাওবা মফম অমদা থিবগী থবক চংশিল্লিবা জহাজশিংগী মনুংদা অনিদি অন্দর ৱাটর লোকেটর য়াওই।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নেভেল ভেসেল ওসিন সিল্ডদা য়ু এস নেভিগী পিঙ্গর লোকেটর অমা শীজিন্নরি। অদুগা ঐচ এম এস ইকো হায়বা জহাজ অসিসু চপ মান্নবা থবক তৌবা ঙম্বনি। জহাজ অনি অসিনা দেটা রেকোর্দরশিংনা থাদোকপা ঈশিং মনুংগী সিগ্নেলশিং ফাবা ঙম্নবা হোৎনরি। ঙরাং ইরাই নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগী সার্চ চিফ এঙ্গস হাউষ্টননা হায়বদা, বেট্টরি পৱার শীজিন্নরগা থাদোকপা সিগ্নেল অসি নুমিৎ ৩০ নি গী মনুংদা শোন্থখিবা মরমনা থিবগী থবক অসি মতমগা লমজেল তান্নদুনা চংশিল্লিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়বদা, সেট্টলাইট দেটাশিং এনলাইসিস তৌবদা য়ুম্ফম ওইদুনা প্লেন অদুনা কাইখিরম্বা য়াবা মফম অসি পঠতগী অৱাং নোংচুপতা কিলোমিটর ১৭০০ রোম চখোক্লগা ওইবা য়াই হায়না থিবগী থবক চংশিল্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি মালেসিয়ানা লাউথোরকপা ৱাফম অমদা থিবগী থবক অসিদা শরুক য়ারিবা খুদিংমকপু খুৎশম্নহনবদা তেংবাংনবা মিনিষ্টর অহুমগী কম্মিটি অমা লিংখৎলে। অদুগা থিবগী থবক অসিদা ওষ্ট্রেলিয়া, চাইনা, য়ু এস, য়ু কে অমদি ফ্রান্সকী মেম্বরশিং য়াওবা অনৌবা ইনভেষ্টিগেসন টিম অমসু শেম্লে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নিংশিংবা য়াবদি মালেসিয়াগী ওপোজিসন লিদর অমনা ঙরাং মফম খঙদনা লৈরিবা এরোপ্লেন অদুগী মরমদা মালেসিয়া গভর্নমেন্টনা মীয়ামদা খঙহন্দবা অরুবা ৱাফম অমা লোৎলি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা থিবগী থৌরাং অসিসু মালেমগী থাক্তা লৈবা কম্মিটি অমবু লুচিংহন্নবা অকনবা দিমান্দ পুখৎখিবনি।

# অফগান ভোটরশিংনা প্রসিদেন্ট খন্নবা ভোট থাদনখ্রে





*কাবুল, এপ্রিল ৬ঃ* অফগানিষ্টানগী ইতিহাসতা বেলোট বোক্সকী খুথাংদা লৈঙাক শক্তি ইহান হান্না খুৎশিন্নগদবা থৌরাং ওইনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবা মীয়াম্না ভোট থাদনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অকনবা নোং অমদি চেকশিন থৌরাংগী অহোবা লৈবগী মরক্তা ভোট থাদবগী চাংদি ৱাংখি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীখল অসি থুগাইগনি হায়না টালিবাননা ৱাশকখিবা অদু ঙমহন্দনবা পাক চাওবা ওপরেসনসু চথরি। অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইগী মহুৎ শিন্নবা মীরেপ ৮ না অকনবা লম্বী তৌনরি।

কারজাইদি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা অহুম্নক শুবা টার্ম পায়বা য়াদে হায়বগী অথিংবা লৈবা মরমনা মীখল অসিদা মীরেপ ওইদ্রে।

ঙসিগী মীখল অসি অকনবা নোং মরক্তা পাঙথোকখি হায়বগা লোয়ননা নহা ওইরিবা ভোটরশিংদি অকনবা নোং অমদি সিক্যুরিটিগী অহোবা নাচুংদনা মীখলদা থৱায় য়াওনা শরুক য়ারি হায়না বি বি সিগী পাউমী অমনা কাবুলদগী ফোঙদোরক্লি।

ভোট থাদনবগী মতমসু হান্না লেপখিবা মতমদগী পুং ১ চোন্থদুনা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চথখি। হন্দক্কী মীখল অসিদা নুপী ভোটরশিংসু মশিং য়াম্না শরুক য়ারি। অদুবু নুপাশিংনা নুপীশিংদগী মশিংদি হেল্লি। লৈলা নেয়াজি হায়বী নুপী ভোটর অমনা হায়বদা, টালিবানগী ধমকাদা ঐদি কিবা ফাওদে। মখোয়না হাৎত্রবসু ঐখোয় নোংমদি শিগদৌবা লৈরবনি। ঐগী ভোট অসিনা টালিবানগী মমাইদা খুপাক্না থাবা শক্লসনু হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ইং ২০০১ দা টালিবানগী শক্তি মরাই চাইথখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী চালবা মিলিটরি ওপরেসন হায়রগদি হন্দক্কী মীখল অসিগীদমক লান্মীনা শেম শারিবা অসিনি হায়না আফগানিষ্টানগী কোনুং অসিদা বি বি সিগী পাউমী দেবিদ লোয়িননা ফোঙদোরক্লি।

মীখল অসিগীদমক আফগানিষ্টানগী পুলিস অমদি মিলিটরি পার্সোনেল পুন্না ৪০০,০০০ রোম শীজিন্নরি। ঙরাং নুমিৎয়ুংবদগী লম্বী লমখাই অয়াম্বদা পুলিস চেক পোইন্টশিং হাঙদোক্কুনা আফগানিষ্টানগী কোনুংদা গাড়ী অমত্তা চংবসু য়াহনখিদ্রে। অদুম ওইনমক কাবুলগী মফম খরদা ভোট থাদগদবা মতম ৱাৎলিঙৈদগী ভোটর কয়ামরুম পরেং শানা লেপ্পুনা ঙাইনখি।

লিখুন অমনা হায়বদা, মীয়াম হুপ্না লম্বী লমজাওদা থোক্কুনা মীখল অসিদা শরুক য়াবদগী তশেংনমক অচৌবা কুন্মৈ অমগা পাঙ্খক ওইরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অৱাং থংবা আফগানিষ্টানদা বি বি সিগী পাউমী কারেন এলেননা হায়বদা মীয়ামনা ভোট থাদনবা লেপ্পবা ক্যু য়াম্না শাংই হায়না ফোঙদোরক্লি।

নহা ওইরিবা ভোটর অমনা টালিবানবু কিবদগী মহাক্কী অপোকপনা ভোট থাদবা থোক্কনু হায়বা ইন্দনা থোক্লকপনি হায়নসু পাউমী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# পাকিষ্টানদা থা ৯ গী অঙাং কোর্ট কাখ্রে



*ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৫ঃ* পাকিষ্টানগী কোর্ট অমদা য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমা ওইনা মী হাৎনবা থৌরাং শিনবা, পুলিসপু কিহনবা অমদি লৈঙাক থৌদাদা খুৎ থিংজিনবা অসিনচিংবা চার্জশিং মায়োক্লরবা মশাগী থা ৯ দা ঙাইরিবা নুপামচা অমা কোর্ট কাখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাহোর সিটিদা থোকখিবা গ্যাস হুরানবশিং ফানবা পুলিস রেইদ অমগী মতুংদা মরালশিং অসি মায়োক্লরবা মীওই ৩০ গী মনুংদা মুহমদ মোসাখান হায়বা অঙাং অসিসু য়াওবদগী কোর্ট কাখিবনি হায়না দ নিউজ ৱেবসাইটকী পাউ অমদা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়বদা, সস্পেক্ট ৩০ অসিনা সিক্যুরিটি ওফিসারশিংদা নুঙনা থোমদুনা হাৎনবা হোৎনখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকই। অদুবু অঙাং অসিগী অপোকপনা হায়বা ৱারোল পল্লদুনা পাউ চে অমনা ফোঙদোকখিবদা মীওইশিং অদু ইলেক্ট্রিক্ট ফংদবদগী ৱাকৎ ঈহৌ চংশিনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি কোর্টতা কারকখিবা থা ৯ গী নুপামচা অদু খোমচুপ অমা পায়দুনা মপাগী তম্পাক্তা ফম্বা মীয়াম্না উনখি। কোর্টনা অঙাং অদুবু বেল পীখিবগা লোয়ননা কেস অসি মথং হিয়ারিং এপ্রিল ১২ দা য়ৈথোকখি হায়না লাহোরদগী ফংবা পাউ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অঙাং অদুগী অপোকপসু এক্যুজশিংগী মরক্তা য়াওরি। অমরোমদা পীক্লিবা অঙাং অমগী মথক্তা শীরিবা মরাল অসিনা পঞ্জাবকী চিফ মিনিষ্টর মুহমদ সাহবাজ সারিফতা ঙকপগা লোয়ননা নুংঙাইতবা ফাওহল্লে হায়রি।

প্রোভিন্স অসিগী আই জি পিদগী থৌদোক অসিগী মতাংদা শেংদোক ৱারোল পীরক্কদবনি হায়না চিফ মিনিষ্টর অসিনা তকশিনখিবগা লোয়ননা অঙাং অদুগী মথক্তা কেস রেজিষ্টার তৌখিবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি হায়নসু চিফ মিনিষ্টর অসিনা খঙহনখ্রে।

চার্জশিং ফাইল তৌবদা অঙাং অসিসু য়াওহনবগী থৌদাং লৌখিবা এসিষ্টেন্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসপু খুদক্তা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না ‘দ নেসন’ ৱেবসাইটনা ফোঙদোকখ্রে।

# চহি ৫ গী অঙাংনা এক্সবোক্স পাসৱার্দকী অশোইবা পুথোকখ্রে

*নিউয়োর্ক, এপ্রিল ৫ঃ* মশাগী চহি ৫ দা ঙাইরিবা নুপামচা অমনা মাইক্রোসোফকী এক্সবোক্স লাইফ সার্ভিসকী সিক্যুরিটিদা অশোইবা অমা লৈরম্বদগী পুথোরকপগীদমক কম্পেনি অসিনা অঙাং অদুবু ওফিসিয়েল ওইনা থাগৎখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সান দিয়েগোদা লৈবা কৃষ্টোফর ভোন হেসেল হায়বা নুপামচা অসিনা মহাক্কী অপোকপগী এক্কাউন্টতা পাসৱার্দ য়াওদনা করম্না লোগ ইন তৌবা য়াই হায়বদু মথন্তা খল্লগা ঙমখিবনি। অশোইবা অসি খঙলবা মতুংদা মাইক্রোসোফনা চুমথোকখিবগা লোয়ননা কৃষ্টোফরবু সিক্যুরিটি রিসার্চরশিংগী লিষ্টতা মমিং হাপচিনখ্রে।

লোকেল নিউজ ষ্টেসন কে জি টি ভি না লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা কৃষ্টোফরনা ‘ঐহাক নুংঙাইবনা কন্না লাউনিংই’ হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টরভিয়ু অদুদা মহাক্না মতৌ করম্না পাসৱার্দ য়াওনা লোগ ইন তৌবগে হায়বদুসু উৎখি। অহানবদা অরানবা পাসৱার্দ অমনা লোগ ইন তৌনবা হোৎনবদা য়াদবদগী অনিশুবা পাসৱার্দ ভেরিফিকেসন অমা স্ক্রিনদা থোক্লকখি। মদুদগী কৃষ্টোফরনা ইরাই লায়না স্পেস বার য়ৈরগা অরানবা পাসৱার্দ অমা শীজিন্নবদা মহাক্কী অপোকপগী একাউন্টতা ইকোম কোম্না চংবা ঙমখি।

অহানবদদি ঐনা তৌরুরিবদু ইপানা খঙখ্রগনি হায়না নুংশা থিবা ফাওখি হায়নসু ইন্টরভিয়ু অদুদা কৃষ্টোফরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা সিক্যুরিটিদা থবক তৌবা কৃষ্টোপরগী মপানা অশোইবা অসিগী অকুপ্পা ৱারোলশিং মাইক্রোসোফতা থারকপনি হায়নসু কম্পেনি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অশোইবা অদু পুথোরকপগী থাগৎপা ওইনা মাইক্রোসোফনা কৃষ্টোফরদা ফ্রি গেম মরি, দোল্লর ৫০ গী শেলগী মনা অমদি এক্সবোক্স লাইবতা চহি অমগী সবস্ক্রিপসনসু পীখ্রে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ‘থুম ককথবনা হকচাংদা খুদোংথিবা থোকহল্লি’

*নিউয়োর্ক, এপ্রিল ৫ঃ* য়ু এসতা সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি) না মীয়ামদা নোংমগী চাবা থুমগী চাং ককথনবা রিকম্মেন্দ তৌই। অদুমকপু করিগুম্বা রিকম্মেন্দ তৌরিবা চাং অসিনা চাফম থোকপা চাংদগী হন্থরবদি হকচাংদা খুদোংথিবা থোক্লিঙাই লৈ হায়না ষ্টদি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা চথবা ষ্টদি অমদা অমেরিকান অয়াম্বগী নোংমগী চাংচৎ অমদা চাফম থোকপা থুমগী চাংগা হকচাং ফবগা মরী লৈনৈ অদুগা সি দি সি অমদি অতৈ হেল্থ দিপার্টমেন্টশিংনা রিকম্মেন্দ তৌরিবা চাং অসিদগীদি হেনগৎকদবনি হায়বগী ৱাফম অমা ফোঙদোরকপনি।

ষ্টদি অসিদা কনফার্ম তৌখিবদা নোংমদা সোদিয়ম মিলিগ্রাম ২৬৪৫ দগী ৪৯৪৫ ফাওবগী চাংদা চাবনা সি দি সি না রিকম্মেন্দ তৌরিবা চাং অদুদগীদি হকচাংদা হেন্না ফহল্লি হায়বগী চপ চাবা খুদম থেংনখিবনি।

হৌজিক হৌজিক সি দি সি না নোংমদা মশা ফরিবা মীওই অমনা সোদিয়ম মিলিগ্রাম ২৩০০ দগী ফাওবা হন্থনা চাগদবনি হায়না রিকম্মেন্দ তৌবনি। অদুবু মশাগী চহি ৫০ লাল্লবা মীওইশিংগী ওইনদি নোংমদা সোদিয়ম মিলিগ্রাম ১৫০০ দগী তাদনা চাগদবনি হায়না রিকম্মেন্দ তৌরি। তশেংনমক্তি সি দি সি না রিকম্মেন্দ তৌরিবা চাং অসি হকচাংদা খুদোংথিনিঙাই ওইনা হায়না ষ্টদি অসিগী লিট ওঠর নিলস গ্রাউদেলনা ফোঙদোকখি।

অনৌবা ষ্টদি অসিগীদমক রিসার্চরশিংনা মীওই ২৭৪,৬৮৩ রোমদা চথবা লন্নাই ষ্টদি ২৫ রোমগী অপুনবা এনলাইসিস অমা চথখিবনি। মদুগী মতুংদা মশা ফরিবা মীওই অমনা সোদিয়ম এম জি ২৬৪৫ দগী ৪৯৪৫ অসিদগী হন্থনা চারবদি পুন্সি তেনবা য়াই হায়বা খঙবা ঙমখিবনি।

# হিটলরনা জিয়ু নুপী অমা লুহোংলম্বা য়াই ঃ রিপোর্ট

*লণ্ডন, এপ্রিল ৫ঃ* অনৌবা বৃটিশ রিসার্স অমদা থেংনরকখিবা ৱাফম অমা ওইনা ইতিহাসকী খ্বাইদগী চুনদবা থৌদোকশিংগী মরক্তা জিয়ুশিংবু পাক্তক্লা হাৎপগীদমক ফাওরিবা নাজি দিক্টেটর এদোল্ফ হিটলরনা খঙহৌদবদগী শোইদুনা জিয়ু কাংলুপকী নুপী অমবু লুহোংলম্বা য়াই হায়বগী চাওনা চিংনবা অমা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাও লোইরমদাইদা ইং ১৯৪৫ দা মশাগী বঙ্কর মনুংদা পুন্না শিমিন্নদ্রিঙৈ পুংখরগী মমাংদা হিটলরনা মহাক্না মতম শাংনা নুংশিনরকপী ইভা ব্রাউনগা লুহোংলম্বা য়াই হায়না রিসার্স অসিদগী খঙলকখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি অনিশুবা লাঞ্জাও মনুংদা জিয়ু মিল্লিয়ন ৬ লোমবু কাংলম অমা নাইনা পাক্তক্লা হাৎখিবদু হিটলরনা লুচিংবা নাজিশিংনা জর্মনিগী লৈঙাক শক্তি পায়রিঙৈদনি।

লান অদুদা জর্মন মায়থিরবা মতুংদা হিংনা ফাখিবা পামদবদগী হিটলর অমদি ইভা ব্রাউননা স্যুসাইদ চথরগা অশিবা মশাশিং মৈনা চাকখিনবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই হায়রি।

ইভা ব্রাউনগীনি হায়বা হেয়ার ব্রস অমদা য়াওরম্বা শমগী খ্বাইদগী কোনবা দি এন এ এনালাইসিস অমদা ব্রাউন অসি জিয়ুশিংগী চাদা নাউদা ওইরম্বা য়াবগী খুদম ফংই হায়রি।

রিসার্স অসিগা মরী লৈনবা মীওই অমনা হায়বদা, ১৯ শুবা চহি চাদা এস্কেনাজি জিয়ু মীওই কয়ামরুম জর্মনদা কেথোলিক ওনখি। অসুম্না ইভা ব্রাউননা মহাক জিয়ু কাংলুপকী ইনি হায়বা খঙলমদবা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি।

ফোটোগ্রাফি এসিষ্টেন্ট ব্রাউননা মতমদুদা মশাগী চহি ১৭ তা ঙাইরিঙৈদা মঙোন্দগী চহি ২৩ হনবা হিটলরগা নুংশিনখিবনি।

হিটলরনা মহাক্কী প্রাইভেট সেক্রেটরি মার্টিন বোর্মেনদা ব্রাউনবু কেঠোলিক স্কুল অমদা থারকখিবা ইমুং মনুং অদুগী মরমদা থিগৎনবা খঙহনখি। ব্রাউন অসি জিয়ুগী ঈ নত্তে অদুগা অশেংবা আরয়াননি হায়বা খঙনবগীদমক মহাক্কী পারি পুরি থিগৎনবা হিটলরনা খঙহনখিবনি।

মদুদা ব্রাউনবু জিয়ুগী ঈ নি হায়বগী খুদম ফংদবদগী লুহোংবগী থৌরম চংশিনখিবনি। অদুগা লুহোংবা অসিনা মীয়ামদা মহাক্কী শক্তম থিহনবা য়াই হায়না চিংনবদগী ব্রাউনবু মীয়াম মাংদা ফোঙনা লুহোংবদি হিটলরনা য়াখিদে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। অদুগা হিটলরনা ব্রাউনগা লৈনবা মরী কনামত্তনা খঙদনবগীদমক চিংদোল অমদা লৈবা মহাক্কী লৈফমদা লোত্তুনা থমখিবনি।

ৱাফম অমনা য়ু এসকী ৭ শুবা আর্মিগী কেপ্তেন ওইবা পাউল বেয়ারনা ইং ১৯৪৫ গী কালেন থাদা ব্রাউনগী হিয়ার ব্রসতগী ফংলকপা শম অদু লৌশিনখিবনি। বেয়ার অসি হিটলরগী লৈফম ওইরম্বা মফম অদুদা পোষ্টিং তাবগা লোয়ননা মহাক্না ব্রাউনগী প্রাইভেট এপার্টমেন্ট অমদগী হিয়ার ব্রুস অদুসু য়াওনা মশাগী হকথেংনবা পোৎলম কয়ামরুম বেয়ারনা খোমজিনখিবনি।

মতম অদুদা হিটলরগী লৈফম ওইখিবা বরগোফতা নম্বা বেয়ারগী ফোটোশিং ফংবগা লোয়ননা হেয়ার ব্রস অদুসু ব্রাউনগীনি হায়বা এক্সপার্টশিংনা কনফার্ম তৌখি।

বেয়ারগী মচানুপানা ব্রাউনগী হেয়ার ব্রুস অদু রিলিক দিল্লর অমদা য়োনখি। রিলিক দিল্লর অসিনা অমুক শম অদু হেয়ার ব্রসতগী লৌথোক্লগা হেয়ার দিল্লর জোন রেজনিকোফতা অমুক য়োনখি। ‘দেদ ফেমস দি এন এ’ গী প্রজেক্টর মার্ক ইভান্সনা শম্না ৮ রেজনিকোফতগী য়ু এস দোল্লর লিশিং অনিদা লৈরবা মতুংদা ফোরেন্সিক সাইন্টিষ্টশিংগী টিম অমদা এনলাইসিসকীদমক থারকখিবনি।

# ইক্বেদোরদা মৈগী চীং অমা পোকখাইরকখ্রে



মপৈ অদুনা অকোইবগী অতিয়াদা মিনিট ৫ রোম লৈচিল ওইনা লৈখি হায়রি।

ইং ১৯৯৯ দগী পোকখাইবা হৌরকখিবা মৈগী চীং অসি হৌখিবা থা অনিরোমগী মনুংদা খরা হেন্না এক্টিভ ওইনা পোকখাইরকখিবনি।

ইক্বেদোরদা এক্টিভ ওইরিবা মৈগী চীং ৮ গী মনুংদা তুংগুরাহুৱাসু অমনি।

পনবা য়াবদি মালেমগী য়ুহা হাগনবা অমদি মৈগী চীং মশিং য়াম্না লৈবা পেসিফিক রিং ওফ ফায়র হায়বা লম পরেং অমগী শরুক্তা ইক্বেদোরসু চল্লিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

*ক্বিটো, এপ্রিল ৫ঃ* ইক্বেদোরগী কোনুং ক্বিটোগী খারোমদা লৈবা মৈগী চীং অমা পোকখাইদুনা মৈখু মপৈ মপৈ কামথোরকপদগী মীয়াম পাখৎনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মৈগী চীং অদু ইখঙ খঙহৌদনা পোকখাইরকপদা কিলোমিটর ১০ (মাইল ৬) রোম ৱাংবা মৈখু অমদি উৎকী মপৈ কামথোরকখি হায়রি।

ঙরাং ঙাইহাক্তংগী ওইনা তুংগুরাহুৱা হায়বা মৈগী চীং অদু পোকখাইরকপদা চাওরবা মৈখুগী

Creative Circle
POROMPAT
A special technical course for
SECTION OFFICER's{S.O.}
Civil = 119 Posts | Electrical = 127 Posts | IT = 36 Posts
Departments: PWD, PHED, POWER, MINOR IRRIGATION & IFCD of Manipur.
ONLY 30 STUDENTS PER BATCH......
Stream's Available: Civil, Electical & IT.
Timings: (6:30AM to 9:00 AM)
Class commencing from 10th March 2014.
Contact: POROMPAT, OPP. JNIMS GATE, ABOVE AXIS BANK, IMPHAL EAST. 85750 50815.
SI/C-1-7 March

